## এডিটৌরিয়েল

### তুরেল খোঙনুং তেঙথোরকপদা নুংঙাইবা

*নিংথৌরোল হাক্তকতগী মণিপুরদা চেল্লিবা তুরেলগী ঈচেলশিং অসিগী খোনূংশিং অসি চহি খুদিংগী লেপ্তুনা তেঙথোকপগী চৎনবী অমা লৈরম্মী। হায়রিবা চৎনবী অদুগী মতুং ইন্না তুরেল খোঙনূং তোঙথোকপীযু হায়না হৌখিবা চহি কয়া অসি মীয়াম্না ৱাকৎত্তুনা লাকখি। মসি ঙসিদি অনৌবা লৈঙাক অমনা লাকপদা খঙলকপগুম উবসিমক মীয়ামগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক ফরবনি। চঙি পাৎ, তুরেল হায়বসি মীওইবনা খ্বাইদগী তঙাইফদবা পোৎশক অমা ওইরিবা ঈশিং ফংহন্নবা অমসুং ঈশিংগী হৌরকফম ওইবগা লোয়নননা তুংশিন্দুনা থম্নবা মফমশিংনি হায়না লৌবা তাই। মীওইবনা হকচাংদা শোক্লোইদবা মিনরেলগী মচল শূনা য়াওরবা ঈশিং নোংমদা লিটর নিপালগী চাংদা দরকার ওই। হৌজিক্তি শাবগী চাং অসি অসুম অসুম হেনগৎলকপনা ঈশিংগী তঙাইফদবা চাং অসি হেনগৎলক্লি হায়না লৌবা য়ারে। ফেসনগুম মিনরেল ৱাটর বোটলশিং লৈরগা শিজিন্নরিবা অসিদা কদায় ফাওবগী চাংদা হকসেলদা শোকহন্দবগে হায়বসি মণিপুরদা কনানা থিজিল্লি হায়বসি অহানবা ৱাহংনি। মণিপুরদা লৈরিবা মিনরেল ৱাটর বোট্টলিং প্লান্টশিং অসি মণিপুরদা লৈরিবা চীঙ, পাৎ, তুরেলশিং অসিদগী লৌবা ঈশিংদগী লৌরগা শেন্বা ঙাক্তনি হায়বসি চাদা চাম্মা চুম্গনি। চিংগী ইচুম হায়বসি করিগুম্বা য়াম্না শেংনা লৈরবা মফমশিংদদি হায়বদি হৌরকফম ওইরিবা চিংগী ঈচেল মচাশিংদা চেনবা ঈশিংশিং অদু য়াম্না হাইজিনিক ওই অমসুং মদু শিজিন্নরগা ঙসি ফাওবা চীঙদা লৈরিবা ইচিল–ইনাও পুম্বা হিংলি। তমগী ইচিল–ইনাওশিংসু চিংদা চৎপা মতমদা হায়রিবা ঈচেলশিং অসিগী ঈশিং অদু থক্লিবা ঙাক্তনি। অদুগুম্বা ঈচেলশিং অদু অকোয়বদা লৈরিবা খুলশিংগী মীওইশিংনা অমোৎ অকায় থাদদনবা অদুক্কী মতিক চেকশিন্না ঙাক শেল্লি। মসি ঈশিং অদুগী নত্রগা ঈচেল অদুগী তঙাইফদবদু খংবদগীনি হায়না লৌবা তাবনি। অদুগুম্বা সরকারগী ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টশিংগী কান্নবদু ফংদবা মফমশিংদা ঈশিংবু লুনা তৌরিবা অমসুং ঈচেলবু লুনা ঈরাৎলিবা অদুগী মরম অদু ঙসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়ানা থন্না লৈরবা সহরশিংগী মীওইশিংনা খংদবসি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি।*

*অমরোমদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংদা য়াম্না তোইনা মীয়াম্না ৱাকৎলবসু মীহুৎশিংনা মীয়াম্গী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবা ঙম্দবা অদুমদি মমাংগী সরকারশিংগী মতমদগী অদুমক খংদুনা লৈরে। তুরেল খোংবাল হায়বসি মহৌশানা হিদেন কয়াদা ইরুজফম শেমদুনা থম্নবা মফমশিং পীকথন্না লৈরম্বা থেংনৈ। করিগুম্বা মতমদা তুরেলগী খোঙনুং অসি তৌথোক্তুনা নিংথম থাগী মতমদা অরুবা ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবা থৌরাং নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা চৎনরম্মী হায়বগী ৱারি তারি। অদুগুম্বা থৌরাং অদু ঙসিগী সরকারনা পায়খৎপা ফৈ হায়রবসু তাবিবা লৈতে। মসি খক্তা নত্তনা মফম মফম কয়াদা সরকারগী অথিংবা লৈ হায়রবসু চাওখৎলবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী ইশ্বোলদা ফত্ত–হাওদি হুন্দোক্নবা মফম লৈতবদগী তুরেল খোংবানগী শরুক্তা লোন্না নত্রগা ফোংনা ইমুং মনুংগী ফত্তবা পোৎলমশিং লংথোকপা থেঙনৈ। মসিনা তুরেল খোঙনুং থেনগৎহনবা অমদি ঈশিং মোৎহনবদা য়াম্না চাওনা মতেং পাংশিল্লি হায়বসি খংবা ফৈ। মসিগা লোয়ননা সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা হেন্না কনবা এক্সন অমা লৌখৎনবা হোৎনবগী মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা অমুক তুরেল খোঙনুংদা পোৎ–চৈ থাজিনবা অমসুং মদুদা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং হাপ্পগা লোয়ননা লৌবুকশিংদা শিজিন্নরিবা তিলহাৎ হিদাকশিং অমসুং কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিংগী আউটলেট কয়া থাদরক্পা অসিনা ঙসি লৈরিবা ষ্টেটকী ৱাটর বোদিশিং অসি য়াম্না চাওনা পোল্লুসন থোকহল্লি হায়বসিমা ইশেং শেংলবনি। মসিমক্তদা করিগুম্বা মওং অমত্তদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা এক্সন লৌখৎতে। পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্ডকী মথৌ অসি ইতৌ তৌদবগুম উহল্লি। মসিগী মথক্তা আই এফ সি দিনা তুরেল খোঙনুংদা মখল মখা কয়াগী ষ্ট্রকচরশিং লন্নাই ওইনা শাজিল্লকপা অমসুং মদুনা তুরেলগী ঈশিংদা অমদি ঈচেলদা অকায়বা পীরিবা কয়া অদু থিংনবা হোৎনদবা হায়বসি অচৌবা খুদোংথিবা অমা মীয়াম্দা নংহনবদা মতেং পাংবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। অমোৎ অকায় কয়া তোর্ব্বানদা পৈশিন্দুনা থম্বনা ঈশিংদা মোৎহনবা খক্তা নত্তনা তোর্ব্বানশিং অদু উচিনা হুত্তোক্তুনা ঈচাওগী মতমদা তোর্ব্বান নিংখাইহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লিবনি হায়বসিসু মনাক নক্পদা খুন্দারিবা মীওই খুদিংমক্কা খংবগী মথৌ তাই। মসিদি মীওইশিংগী এৱার্নেসকী মথৌ তাবনি অমসুং মশা মশানা শেমদোকফম থোকপা অমনি নত্রগনা সরকারনা নমদুনা খংহনবগী মথৌ তাগনি। মদু খঙদবা মীয়ামদি সিভিক সেন্স লৈতবা মী ওইবনা মখোয়শিং অদুগী মথক্তা তঙাই ফদবা এক্সন লৌখৎপগী মথৌ তাই হায়না খল্লি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### পৈশাগী মনিং মমাংগী শেলয়েকনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

হে! লালহৌবশা, নখোয়গী চৎন কাংলোন প্রজা ঐখোয়দসু খংহল্লু। হে! লৈঙাকপশা, নখোয়গী ওইবা চৎন–কাংলোন পূন্নমক প্রজাশিংদা খঙহল্লু। নাম্মাদা, ঐখোয়বু ঈশ্বর ওইহল্লগা কয়া কুইরে নখোয়না ঐখোয়বু চৈথেং চৈরাক্লহল্লিবসে। লালহৌবনা হায়, প্রজানা ঈশিং ঈপাক্লি, ঐখোয়না ঈপাক্তুদা হিংজবা লৈম্লে ঙানি। লৈঙাকপশিংনা হায়, ঐখোয়দি প্রজাগী পাওখোল্লোইনি। প্রজানা নুংশিবীদ্রবদি ঐখোয় হিংবা ঙম্লোই। পূন্নমক্তুগী নম্মাদা চমজরবা প্রজা খুদিংনা থম্মোয় খুদুম শুদুনা খাংলক্লিবসে কুমজা মশিং য়ামলে। প্রজাবু লাল্লোনপোৎ ওইনরিবা লমসিগী লালহৌবশিং, লৈঙাকপশিং কুইররোই প্রজাগী বিচার ময়োক্লরগনি। অরানবনা অচুম্বগী ফিজিফিনা নেৎপা মতিক নত্তে। লমদমসিদা অসুক কুইবা মতমসি করি খঙজদ্রবা প্রজাতনা পুন্নমক্কী মহুৎশিন্না কৎথোক্তুনা লাক্লীবনি। তাইনফমসু খংদে, ৱাকৎফমসু খঙদে, হামচৎনরবা পূক্লিং ইথিলগী চৈনবা মরক্তা অচুম অরান থীরুদনা লাইবক্তা তম্বনি খন্দুনা কনাবুসু তাইনরুদবনি, ৱারৌনরুদবনি। তোইশিল্লক্লবদি করিনো খন্থরুবা মীকুপ্তুদি ঙন্নমক খংবগুম্লে লালহৌবা লৈঙাকপা অনীসিদি পৈশাগী মনিং মমাংগী কান্নদবা শেলয়েকশিংনি। লালহৌবশিং, লৈঙাকপশিং ঙসি ঙসিগী মীরোলনা শেন্দোং থীবা মীওই ওইনা উরক্লিবসি পূন্নমক্তগী তোঙাল্লবসু তৌথোরকপা থবকনা হেন্না চুম্বগুম উহল্লে। করিগী লালহৌববু খোইশাওনরিবা, করিগী রাজনিতিৱালাবু করেন্নরিবা, পূন্নমক মখোয় মখোয়গী ইকাই খঙদবা মশরুক ওইসনু।

খঙই, লালহৌবদি কৎথোক্লবা পূন্সিনি, খঙই, রাজনিটিৱালা খুদিংসু প্রজাগীদমক হিংনিংলিবা মীওইশিংনি। হান্নদি য়াম্না মাল্লন্নবসু ঙসি ঙসিগী উরি খঙলিবশিং অসিনা পিরকপা ইথিলনা কনাসু লালহৌববু থৌশানদ্রে কনাসু রাজনিতিৱালাবু শীঙথাবীদ্রে। অদুক ইকাই খংদবগী পংলাও লাওনরিবা হায়দুনি। তশেংনা লৈবাক্কী খন্না কথোক্লবা য়াওল্লোই লৈতবা নত্তে, মখোয়বু মাংথোক্লবা রিয়েক্সনরিশিংনা মীয়ামবু পংথহনবনি। তশেংনা লৈঙাকপশিংগী মরক্তসু থম্মোয় শেংনা প্রজা সেবাদা কথোক্লবা লৈঙাকলোই থোক্লকতবা নত্তে। খুরক্কী ঈনা লাই শাদুনা পূন্না মাঙমিন্নখিবনি হায়বসি অচুম্বনি, মালেমদা চৎনরিবনি। চেঙ চগ্রিং অমনা চেঙ্কোক অমা মাংথোকপদুনি। অওনবা পামদবা মালেমসিদা লৈরল্লোই, হেন্না মশক থোকপা খোঙথাংদি মীকুপ খুদিংগী অহোংবা মরক্তা য়াওন্নরিবনি। কনানা নিংথৌনো কনানা প্রজানো। মতম পূম্বদা নিংথৌনা প্রজাগীদমক হিংলবা, প্রজানসু নিংথৌগীদমক কথোকপা ঙন্নবা মতমদুনি ঙসিগী মীরোলনা থীরিবসু। প্রজা পূম্বনা অচুম্বগীদমক থৱায় পাম্মুরল্লোই।

অদোমগী
অঙোম রাজু
ইম্ফাল

# মীয়ামগী ষ্ট্রাইক, সাসনগী ময়ি চৎলকপনী

*টি ঐচ উদোই লুৱাং*

***''থাগৎলগদা হরাওনবা নৎত্রগা অশোইববু থিন্দুনা ঙাংলগা হেক্তা শাওগনবা তাইবঙ ওইদুনসু মীচঙ মীখায় নাইদবা লৈবাক্কী অচুম্বা আইনবু শিংনদুনা ইহৌ শাগৎলক্কদবা মীয়াম কনাসু লৈরোই''***

মীয়াম্না খীরবা বন্দ ধর্না জেনেরেল ষ্ট্রাইক অমুক শাফোংলকপা হৌরে। মখল মখা কয়াগী ইহৌ লাকপা য়াবগী থাজবসু লৈরি। খূৎলায় পায়বা ষ্টেট ফোর্সশিংনা তৌবা ঙম্বা শক্তি উত্তুনা তমথিরবা টিয়ার গ্যাস সেলশিং মীয়ামদা কাপশিনবা অমদি চৈনা ফংলবা মীওইশিংনা মীকপ মীরাওখোলগা লোইননা তোঙান তোঙানবা অনালায়েংশঙশিংদা লাইকন্নবা মেদিয়াশিংনা থেংনরে। লৈবাক মীয়াম ঙাক্লনবগীদমক লিৎশাং শিৎনা তমলকপা পাঙ্গল অমসুং শক্তিগী বিদ্যাশিং সরকারগী খূৎলায় পায়বা ফোর্সশিংনা শক্তি য়াওদ্রবা খোঙজংলোয় শিংদা মতিং মথৌনা ফুদোক্তুনা প্রাকতিস তৌবগী শক্তমসু ময়েক শেংনা উরি। অমরোমদা উপায় লৈত্রবা খোঙজংলোইশিংগী মরক্তগী ষ্টেট ফোর্সশিংদা নাওরি অমসুং নুংদুমগী লাল চৎথবসু অদুম ময়াওরি। তশেংনমক মৈরিকপীদগী মৈজাওবী হৌরকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। অচুম অরানগী ৱাফম্না অমনী। অশাওবা হায়বসিমক্তবু ফীভম মতম্না খুদক্তা দিভলপ তৌনরকপা ঙাক্তনী। অশাওবগী মফমদা মীনুংশি লৈতে। খুদক্কী তৌবা ঙম্বা শক্তি উখোক্লবা মীগী মশিং থোইদোক্লা ৱাত্তবগুম তৌরি। অদুবু– ঐখোয় মীওইবনী হায়বসি করিগী কাওফম থোকপগে। যূম্লিং খুলিংদুনা অৱাংবা থাক্কী মীনুংশিগা লোইননা হীংলিবা ঐখোয়দা খন্থবা ঙম্বগী শক্তি য়াওরিনা। ফজবতবু পাল্লিবা ঐখোয়না ফীদন্নিংঙাই ওইরিবা খন্থবা ঙম্বগী শক্তি শিজিন্নফম থোকই। ঐঙোন্দা ফাওরিবা চৈনা মীঙোন্দা করিগী ফাওরল্লোই। হীংসানা ঐখোয়দা অৱাবা খক্তং ওইহল্লী হায়বসি মতম পূন্নমক্তা খন্থবগী মতম ওইরে। টিয়ার গ্যাসনা পাল্লীবদু ঐগী নুপীদা নৎত্রগা ঈমাদা নৎত্রগা ঐগী য়ূমদুদা ওইরম্লবদি ঐনা করি ফাওগদগে হায়বসি শক্তি পায়রিবা ষ্টেট ফোর্সশিংনা খন্থবগী মতম ওইরে। ইথৌদগী হেন্দোক্লা থৌশিল থৌরাংদুনা অতোপ্পশিংবু চৈথেং চৈনা পীবনা ক্রাইম থোকহল্লী। ক্রাইম থোকহন্নবা ঐখোয় পোকলকখিবা নত্তে হায়বসি মতম পূন্নমক্তা নীংশিংমিন্নবা মথৌ তাই। অশাওববু লাকশিনবা খুদুম চনবা ঙমখিবা মীওইশিংতনা পূন্সি পোল্লোই ফাওবা মপোক মহৈ য়ানখি। মীয়াম্না শক শোন্নবা ইকাইখুন্নবা মী ওইখি। মী মরক্তা মীয়াম্না ইকাইখুন্নবীবা হায়বসিমক্তবু মপোক মহৈ য়াল্লবনী হায়বসি ঙসি ফাওবা মীয়াম্না হায়নরি। মীনুংশিগী অৱাংবা গুনগা লোয়ননা অশাওববু লাকশিন্দুনা মীওইবা খুনাইগীদমক, তুংলমচৎকীদমক ঐ ঐনা ঙমজবা থবক খরদং পাংথোক্তুনা মপোক মহৈ য়ালহনসি।

দেমোক্রেসি চৎপা লমদম্নী। সরকারনা তৌরিবা থবকশিংদা মীয়াম্না পেন্দ্রবদি ৱাকৎ পীবা অমসুং ধার্বা তৌবগী অধিকার মীয়ামদা লৈরি। মসিদগী হেন্দোরক্তুনা বন্দ জেনেরেল ষ্ট্রাইক হীংসা য়াওবা ষ্টাইক অমদি মখল মখা কয়াগী অকনা অকনবা ইহৌশিংসু মখা তারকই। হীরমসিদা নৈনবা য়াই। মী খুদিংমক মাগী মাগী শিন্‌ফমদা মানা মানা হেন্না হৈথোই শিংথোইবা তৌবা ঙম্বা, থবক মাই পাকপা হায়বসি মহৌশানী। ভোত লেপ্তুনা কারবদি সাসনগী শক্তি পায়বা য়ারম্বনা রাজনিতিগী লম্বীদা–শিন্‌ফমদা খোংদারক্ত্রবসু তোঙান তোঙানবা লম্বীশিংদা হৈথোই শিংথোইদুনা শেঞ্জাও পায়রকপদগী ভোতরশিংবু পৈশানা থম্মাইখিদুনা লৈবাক সাসনগী শক্তি মখোয়গী মখূত্তা তাখি। মসৱাইসিদনী লৈবাক সাসন তৌবা হৈ নৎত্রগা হৈতে ময়েক শেংলক্লিবসি। মীয়াম পূন্নমক্কা চুম্মী হায়দুনা ঙসি ফাওবা থাজনরিবা ৱাফম অমা নিংশিংবা য়াই। মদুদি, 'মীয়ামগী খোল্লাও ঈশ্বরগী খোল্লাওনী।' স্লোগান অসিমকসু লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা ভোতকী মতমদা তোয়না শিজিন্নদুনা লাকখি। ভোত কাখ্রবা মতুংদদি মীয়ামদগী লাপথোক্লনবতা হোৎনবগী মমি তারি। মীয়ামগা তোরো খোন্দাননা ঈ–পাউ ফাওদোক্লবা, অমদি করিগুম্বা প্রোব্লেম অমা থোক্কদৌরে নৎত্রগা ভাব তানদবা খরা লৈরে হায়রবদি থিন্থবা তৌদনা সাসন চলাইরিবা মন্ত্রিশিংনা প্রাজা গ্রুপশিংদুগী লুচিংবশিংগা নিংথিনা ৱারি শানবগী মমি তাদ্রি। দাইত্ব লৈরিবা লুচিংবশিংনা মীওইশিংদুদগী নাথৈদুনা নীংঙাইদনা কির তৌজবা ঙমগদৌরিবনো হায়বগী শক্তম থৌওংশিংনা ময়েক শেংহনবগুম তৌরি। ফীভমসিদনি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী হেক হেক হৌনরক্লিবসি। মন্ত্রি উন্নবা মীয়াম হুপ হুপ্তুনা লাক্লিবা, পুলিসশিংনসু শান্তি রখা ঙাক্লনবগীদমক প্রোব্লেম থোরকপা য়াই হায়দুনা মীয়ামদুদা অথিংবা পীরি। হীরমসিদা কুপ্না য়েংশিল্লবদি মীয়াম্না মন্ত্রি উন্নবগীদমক হুপ্তুনা লাক্লিবসি ইফেক্তনী। কোজ লৈবগী ইফেক্ত লাক্লিবনী। কোজদুদি সাসন পায়রিবা লুচিংবা মন্ত্রিশিংদুনা ওইহনবনী হায়বসি অখং অহৈ অমসুং মীয়াম্না থাজনরি। মী হায়বসিসু ময়াম পূল্লবদি তোঙানবা শক্তি অমা হেক্তা শাফোংলকই। মীয়ামদুগী অনিংবা অপাম্বশিং পুলিসশিংনা শক্তি শিজিন্নদুনা থিংলবসু মীয়ামগী শক্তিগা অঙম তান্নরক্তুনা অচৌবা ৱাথোক লান্থোকসু তত্তনা থোক্লি। সাসন তৌরিবা মন্ত্রিশিংনা সরকারগী তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগা ইনফোমেটিব ওইবা এক্সন থমদুনা প্রোব্লেম থোরকপা য়াবা সিচ্যুয়েসন শিংদা এলার্ট ওইবা মথৌ তারি। ৱারি শানদুনা তাথোক তাশিন তৌমিন্নবা য়ারিবা মীওই সেক্সন খুদিংমক্কী। ঙম্মী মতাগুম শক্তি পায় হায়দুনা সরকারনা পংতৌ তৌবগী হৈনবী থাদোকপা চুমগনী। মী অমনা অমদা হায়জিনবা নৎত্রগা তৌশিন্নবা য়ারবসু মীয়ামদা হায়জিনবা নৎত্রগা তৌশিন্নরবদি লৈবাক ইরাং হৌই, কাংখোং চায় শান্তি লৈতে, শান্তি হঞ্জিন্ননবা হোৎনবদা অৱাবগী মশক ওই হায়বসি সাসন তৌরিবা মীওইশিংনা নীংশিংবা চুমগনী। মীয়ামবু নুং অনীগী মরক্তা হা ওইহনবগুম লৈঙাক্লা লৌরক্লিবা খোংথাং অসি সাসন হৈতনা সাসন পায়রুবগী খুদন্নী হায়বদা হায়মনবা থোক্লোইদৌরি। মরমদি, এপ্রিল ১০ দা লৈঙাক্কী হোম সেক্রেটরীনা ওর্দর থোক্তুনা লাইসেন্স পায়দুনা লাল্লোল ইতিক্কী থবক তৌরিবা দুকান্দারশিং অমদি প্রাইভেত ত্রান্সপোর্ট গারীশিংগী মপুশিংনা করিগুম্বা বন্দ শৌগৎতুনা থোং হাংদবা অমদি গাড়ী চেন্দবা তারগদি মখোয়গী মথক্তসু লিগেল এক্সন লৌবা য়াই হায়খি। বন্দ, জেনেরেল ষ্ট্রাইক হায়বসি লূপ নৎত্রগা ফুরুপ নৎত্রগা খূৎলায় পায়বা লালহৌ লূপ অমনা হেক্তা তৌরি। অচুম অরান হায়বদুনা অমনী। বন্দ মনুংদুদা লনাই মীওইশিংনা করি শক্তি লৈদুনা বন্দ তৌরিবশিং অদুগা মাইয়োক্লবা ঙমগদৌরিবনো। খুদক্কী নৎত্রবসু তুংদা বন্দগী মাইয়োক্তা থবক তৌরুবগী পীরকপা য়াবা চৈথেং, চৈনাশিংদু সরকারদি করিসু খঙবীরল্লোই। বন্দ মনুংদা থোঙ লোনবা নৎত্রগা গাড়ী চেন্দ্রিবশিংসি অকিবনা লঙ্গোই চন্দুনা তৌরিবনী হায়বফাও মমুৎ তানা খঙবা ঙমদ্রিবা সরকার অমসুং সরকারসিবু মথৱাই হাপ্তুনা সাসন তৌরিবা মন্ত্রিশিং করম্বা লৈবাক্তগী লাকপনো হংনিংঙাই ওইরি। থৌওংসিমক শিন্‌ফম লান্না শক্তি পায়দুনা সাসন তৌরুবগী মহৈনী হায়রোইদবগী মরম লৈরিব্রা?

ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন্স কোওর্দিনেতিং কম্মিটি (অম্মোকোক)না এপ্রিল ১০ গী অয়ূক পূং ৬ তগী কৌখিবা পূং ৩৬ গী টোটেল সটদাউননা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা চাওনা অকাইবা পীখি। মফম অয়াম্বদা পুলিস অমসুং বন্দ শৌগৎপশিংগী মরক্তা হীংসাগী থবক থৌওংশিং চথনখি। পুলিসনা টিয়ার গ্যাসশিং মশিং খংদনা কাপখি। বন্দ শৌগৎপশিংনসু নাওরি, নুঙ শিজিন্নদুনা পুলিসশিংদা লান্দাখি। অচুম অরান হায়বদুদি নকশিন্না ৱারি শানমিন্নরকান্দা ভাব তামিন্নগদবা ঙাক্তনী। কম্যুনিকেসন চাওনা গেপ লৈবগী মওং অসিদি হিংসা লাক্লনবগী বার্ত্তন থাবগা চপ মান্নফম থোকই। অমুকসু এপ্রিল ১১ গী অয়ূক পূং ৬ তগী নুমিদাং পূং ১০ ফাওবা কে সি পি (প্রো)না মণিপুর পূম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী শগোলমাংদা শাগনী হায়দুনা মমাংগী সরকার (কংগ্রেস) মতমদগী উরেপ উয়ুং তমদুনা ফেন্সিং ফাওবা মাইকৈ অহুম লোইশিন্দুনা অথুবদা শাগৎলগনী তৌরম্বা হোসপিতাল অসি মীয়াম্বু নমথাক তৌরম্লগা রাজনিতিগী লৌতুনদুনা ক্যামগেদা হোংননবা হোৎনরিবা সরকারগী থৌওংবু শীংনদুনা লালহৌলুপ অসিনা জেনেরেল ষ্ট্রাইক তৌখিবনী। মতাংশ্বাইসিদা ওইগনী। শক্তি লৈ হায়দুনসু মীয়ামদদি হায়জিনবা নৎত্রগা তৌশিন্নবা য়াদে হায়নরিবসি। জে এ সি এগেনন্স অননেচরেল সিফতিং ওব ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী ইহৌ অসি অচৌবা ৱাথোক লান্থোক থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। ইহৌ অসিমকসু লৈঙাক্লা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্তবদগী ওইরকপনী হায়বদা লান্‌ফম থোক্ত্রি। লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়রিবসিসু অখং অহৈশিংনা তাবদা অঙকপা ফাওনরি। লনাইগী লম ওইজরবসু সরকারনা পব্লিক্কী লোয়শঙ অমা শাবগীদমক্তদি সরকারনা ওথোরিতি ওইদুনা অদুমক লাক্লিবনী। কন্দিসন অমা নৎত্রগা অমদা অদুমক লনাইগী লমশিং সরকারনা লৌশিনবা য়াই। লনাই মীওই অমত্তনা শিখাং খাংদুনা করিসু তৌবা ঙমদে খংলিবা সরকারনা মীয়ামদা নমথাক হেক্তা তৌবগী থৌদৌ অসি খরদি হকমল্লী। জে এ সি না ৱারি শান্নবা কয়ারক হোৎনরবসু মরম অমা নৎত্রগা অমাদা থৈদোক্তুনা মরী লৈনবা মন্ত্রিনা লৈথোকপগী শক্তম মেদিয়াশিংদা ময়েক শেংনা উবা ফংলী। মসিনা অচুম্বা ওইরবদি লাইবক থিবনী।

অইবনা সরকারদা পীনিংলিবা পাওজেলদি, হৌজিক্কী মীরোল অসি নীংথিনা তরেৎ তরা থোক্লা ৱারিবু শানরবদি ভাব তামিন্নবা য়াই। ৱারি শানবগী তাঞ্জা ফংলবা প্রোব্লেমদু সোল্ব তৌবা হৌরবনী। সাসন পায়রিবা মন্ত্রি মন্দোলশিং ভোতকী মতমদা প্রজাশিংগা নকশিন্নরা চৎমিন্নখিবা, প্রজাশিংবু তশেংনা নুংশিবগী মচৎশিং, মফম মতম নাইদনা কেন্দ্র কেন্দ্রগী জগাশিংদা মীয়ামগী থবক থৌরমশিং, প্রোব্লেমশিংদা হকথেংননা শরুক য়াবীখিবা মচৎশিংদু নৌহৌননা নীংশিংবীদুনা মণিপুরী প্রাজা খুদিংমক ইশামক্কী কেন্দ্রদা লৈবা মীওইশিংনী খনবা ঙম্বা মথৌ তারি। থৌওং অসি খক্তনা সরকার অমসুং প্রজাশিংগী মরক্তা অফবা মরী শাগৎলক্তুনা শান্তি পুরকপা ঙমগনী। মীয়ামগী বন্দ ধার্না ষ্ট্রাইক পেন্দবগী খোল্লাওশিং হায়বসি সাসনগী ময়ি চৎলকপনী, নীংশিংবা চুমগনী।

# খঙলবসু খঙসিন্নদনা উরবশু উশিন্নদনা অশুম লৈথোক্লসিরা?

*য়েংঙু য়েংঙুবদা*

*ওইনাম চন্দ্রমনি*

তৌরিবা মতৌসিবু করিনো? অশুন্না অশুম মখা চথুদুনা লৈরবদি কমদৌনি। তাবদা তু চুংঙবা, খাঙবদা ৱারবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা লমদমসিগী মফম খুদিংমক্তা নোংম – নোংমগী ৱাই চাইবা হেনগৎলকইবশে জাতি ফুরুপ খেন্নবা থমদনা পূন্না কোক চুঙশিনমিন্নদুনা থেংনমিন্নহৌদ্রবদি কুইররোই ঐখোয় পূন্নমক্কী ওইনা অপাইবা দষা লাক্কদৌবা।

অহানবমক্তদা ঐখোয়না খন্নবা য়ারিবশি, লমদমসিগী নিঙোল অমত্তসু নত্তনা অহানবদা অমা লৌরগা মচা মঙা পোক্লঅবা মতুঙদা অমুকসু লমদমসিগী নিংঙোল অমা অমুক লৌদুনা মচা মঙা পোক্লঅবা মতুঙদা অমুকসু লমদমসিগী নিঙোল অমা অমুক লৌদুনা মচা অমা লৈরবা য়াম্না মঙক হায়গৎলবা নন–মণিপুরি অমনা লমদমসিগী মীওইশিংনা চঙশিল্লিবা য়েলহৌমী কন্নবা ঈহৌবু শীঙনদুনা য়াম্না ইচঙ থৌনা মশাগী শক্তাকচে য়াওরি–য়াওদে খঙদবা মীতোপ মীয়ানচা কয়া অমা মানা চলাইবা ক্রুইজর গাড়ী অনীদা মশিঙ খঙদনা মপাল্লমদগী ইম্ফালদা পুশিল্লকপা মতমদুদা চঙলক্লিবা মীওইশিংদুগী মতিক চাবা মরী লৈনবা চে–চাং শুনা য়াওরি য়াওদে হায়বগী চেক তৌনবা মতিক চাবা মরী লৈনবা চে–চাং শুনা য়াওরি– য়াওদে হায়বগী চেক তৌনবা থম্বা মণিপুর সরকারগী চাকোরিশিংদুনা করি তৌদুনা লৈহৌবা? হৌজিক হৌজিক্লা করি তৌদুনা লৈরিবা? মরমদি ঙরাং নহান্দসু য়েলহৌমী কন্নবগী অচঙবা থৌমীশিংনা নন–মণিপুরি কাংবু অমা ৱাহেংলৈকাই জিরি পাকিংদগী চোমলপ ফাদুনা লৈবাক মীয়াম মাঙদা কেকু ফোঙখ্রিবদুনি। মতাঙসিদা হংবা য়ারিবদি, নোংমা কাংদনা নন–মণিপুরি মপৈ–মপৈ মশিঙ খঙদবমখৈ লমদমসিদা হাইজিল্লকইবসি চেক তৌননবা লৈরিবা সরকারগী এজেন্সিশিং অদুনা করি ৱাখন্দগী? কনাগী করম্বা অকনবা হুকুমদগী নৎত্রগা শেল–থুম খরখক মীহৌদুনা তুংগী মীরোলশিংগী করিমত্তা খন্দখৈ য়াম্না ইচঙ থৌনা মীতোপ মীয়ানচাশিং অদুবু করিগীদমক চঙহল্লকইবনো? হায়বসিনি। মতাঙসিদা মপাল লমদা চখোক চৎশিন তৌরিবা গারী শিংগী দ্রাইভরশিং লোয়ননা শিল্লি–লাঙঙিবা এজেন্সিশিংগীশু চাওরবা দ্বাইত্ব লৈ হায়বশে মশা–মশানা খঙজগদৌবনি নৎত্রবদি মীতোপ মীয়ানচাশিংগী ৱাথোক লান্থোক অমদি মখোয়না লমদমসিদা মশিঙ খঙদনা চথরকখিবা অমশুং লেপ্প লৈতনা চথরকইবা ক্রাইম কয়ামরুমসিদা ড্রাইভরশিং অমদি গারীগী এজেন্সিশিংনা ৱাফমশে মখোয়গ মরী লৈনদে হায়দুনা খক লৈথোকপা য়ারোই মরমদি হৌরকফমগী মরুদি মখোয়দগীশুনি হায়বসে মসানা খঙনা হরাও হরাও য়াজবা তাবনি।

অদুগা, মলেমসিগী ওইনা ফোঙ–ফোঙ শারিবা ৱাফম অমনা হৌজিক হৌজিক্কী রোহিংয়া রিফ্যুজিগী ৱাথোক অসিনি। মরুওইনা ম্যান্মারগা লোন্ননা লৈরুবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইনা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি এজেন্সিশিং লোয়ননা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা চপ চাবা মথৌ তৌবদুনি মরুওইনা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপশিংগী অপাম্বসু। মতাঙসিদা য়াম্না ঙকনিংঙাই ওইরিবদি, লমদমসিগী লৈহাউদা খুন্দা লৈতামিন্নরিবা অতোপ্পা ফুরুপচাশিংনা রোহিংয়াশিংগী মরমদা হোয়–মাই হায়দখৈ চেক–মোক লাওদনা চুপ–চাপতা পঙসিন্নদুনা লৈথোকইবসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্না করি? অদুগা, রোহিংয়া রিফ্যুজিগী মতাঙসিদা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা মশিঙ য়াম্ব ফুরুপনি হায়জিল্লগা হরাউজরিবা অমরোমদনা নোংমা নোংমগী মীশিঙ হন্থরক্তুনা ঙসিদি মাইনোরিটি তারকঅবনি হায়বশে ঐখোয়গী ঈরক্তগী ২% গুম্বখক নত্তনা খঙজদ্রবা থাগৎলগা তিকি পীজবা য়াবা হুয় নারেকপগুম খরা পীজ পীথক তৌরগা হরাউদুনা মমৈ ফেৎ–ফেৎ হাইবা মবুক মপাও ফবা মৈতৈ–মীতৈ ফুরুপশিংগী মশরুক্কুম অততাই ওইনা ঈহোরক্তুনা থন্নীংবসিবু চুম্মীবরা হায়বশে তশেংনা লমদমসিগী য়েলহৌমীনি মশানা খঙজরবা ফুরুপশিংনা খন্থবগী মতম থেঙমল্লবনি লোয়ননা ''পেম্ম নঙশু ঐশু কংশি'' হায়বা নিংঙায়দবা থৌগাওবা ঙাশেপ চিবান্দোংগী ৱারীদো তাদুনা তোকপদি শোয়রোই। রোহিংয়াশিংগী ৱাথোক অসিদি ঐখোয়না তরায় তরায়না খক লৌবা য়াররোইদৌবা অমনা মখোয়গী কাংবু– খূৎপু অসিনা উতাংবীগী শক্লো লৌদুনা ঐখোয়গী ঈরমদমদা মখোয়গী খোঙদাফম খরা খজিক হেক ফংখিবদা মখোয়গী কাংবু মখোয়গী ফুরুপশিংতনা মরম ওইদুনা চহি খরগী মতুংদদি হান্নদগী হৌনা মৈশা লাংদুনা লৈরকঅবা নুংশিরবী ঐখোয়গী পোক্লফম লমদম সনা লৈবাকশে অনৌবা ৱাথোক–লান্থোক লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইদুনা মৈশা লাংবদি শোয়ররোইদৌবনি। মসি খঙনা মীপূম খুদিং মক্কা চেকশিনমিন্নহৌদ্রবদি রোহিংয়াশিংগী দোরিদগী ঐখোয় য়েলহৌমীশিংগী তুংগী মরাইবক করি ওইহৌগদগে হায়বা ৱাফমসিমতং ময়াম পূন্নমক্কী মাঙদা থমজনিংঙি।

থন্দবা চফুনা মখোল থোকই, অঙাংদি নিঙথাদা খঙঙি হায়নবা ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা অহল লম্মনশিংগী পাওরৌ অমসু লৈরিবনি। চানিংঙি হায়দুনা খূৎ অনি থাদুনা হুকপা য়াদবগুম ঙাঙনিংঙি হায়দুনসু মফম–মতম, তাঞ্জা –মেঞ্জা চাদনা চিন্দোল–লৈতোল ফনা পঙঙাঙ ঙাঙবগী চৎনবী অমদি হৈনবীদা থাজবা আ–মথায় থায়না নুঙগী য়ূগ অলুং পোম্বা চারীঙৈ মতমগী হৈবোং মনুংদা লৈবা তুমিৎকুম ইপঙ পঙবা মীওইশিং অদু নৎত্রবনি হৌজিক মতমগী মীওই কাংলূপশিংশে। মসি খঙনা চৎলবা মীয়ামগী লুচিংবা অদুদি মতম পূন্নমক্তা কনামত্তনা কৈদৌঙৈদসু মাবু মীরায়বা তৌরোই হায়বসিসু ঙসিগী লৈঙাক চুপলি পায়বগী মরুওইবা ফমথৌ পুবীরিবশিংগী মফমদা য়াম্না থম্মোয় শেংনা হায়জনিংঙি। অদুদি নত্তদুনা ঙাইহাক–ঙাইহাক্কী তাব নুংঙাইনবগী মওংদা পঙঙাঙ ঙাঙবা, পঙশক শকপনদি মীয়ামগী পূক্লিং ৱাখলবু হুমদুনা পুবগী মহুত্তা পেন্দবনা থল্লবা মতম কুইনদগী ফুমদুনা থম্মোয়নুংদা থম্মকঅবা মৈগী চীংনা পোকখাইরকপগুম খঙহৌদনা পোকখায়রকঅবদি মদুদগী থোকলকপা খন্ত প্রলোইগী মতৌগুন্নবা শাথিরবা ফোল অদিনি চমজরবা ঙসিগী মীচম মীয়ামগী পূক্লিংদা মীপাইরিবশু।

অদুবু চিরবা তানফম অসিদা অহল লম্মনশিংনা মাংশোক ফম্মেন নাইনা ৱারক থৌগারক্তবা সাদগীসু হেন্না তোল্লবা মীওই কয়ানা থেনখাঙ কয়ারক্তা মসামক্কী ফুরুপকী মচে–মচল কয়াগী ইজৎপু লৈখা তাহনখিবা অদুদগী হেন্দোক্তুনা ৱাখল পূক্লিংদা মীমান্নদ্রবী কয়া অমবুশু মখোয়গী ইমুং–মনুংগী মী লৈতবগী অচেঙবা তাঞ্জা য়েংঙগ সারাক তম্বীখি মরক–মরক্তা। মসিনসু লোইদ্রি, হেক পোকচবা মচাবু, মখোয়বু পোকপীরীবা মমা–মপাবু, উতুপ ৱাতুপ্পা থোমদুনা হাত্তোকপা ঙম্বা মদুনা করম্বা থম্মোয় মমা–মপা তিন্নবা মচিন–মনাও ওনসিন্নদুনা অঙম–অঙম্বা লোইশন্নবা মদুনা করম্বা মখলগী সিন? তাবদা তুচুংঙবা থৌদোক কয়ানা চয়োম শারবা ঙসিগী মীরোলসিগী ফিদমনিংঙাই য়াউদ্রবা লমচৎ, অমরোমদনা ঈরমদমসিগী লৈমায়দা মৈতৈ মীতৈ ফুরুপশিংনা খুন্দা লৈতারিবা মফম কয়ামুক্তা ঙসিফাওবা য়াওশঙ কুম্মৈগী নামাদা লমতা থা লোইখ্রবসু থাবল মখা চোংথদুনা লৈবগী হৈনবীনা লু–তোংদা চুদুনা লৈখ্রবা ঙসিগী লৈশাবী মৌনহাশিং লোয়ননা নিষাদা লাইচুরবা ফুরুপকী ওইনা আশা থমনিংঙাই লৈত্রবা নহা পাখঙদগী মীয়ায় চল্লক্কদৌরবা ময়ূম মকৈ পাল্লবা নুপাশিংগী শিঙথানিংঙাই লৈত্রবা মচৎ কয়াসিনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক কয়াদা খুরৌ থাংহল্লবনো।

য়েংখি–য়েংখিবা মায়কৈ খুদিংমক্তা পেন্দবগী পেন্দবা ঙাক্তা। উরু–উরুবা খুদিংমক হামচৎ হামফোইনরবা ফিভম ঙাক্তনা থল্লবা ঙসিগী কাং খোং চাইরবা খুন্নাই অসিগীদমক্তা তেংথাবীগদৌবা কনানো? থম্মোয়শেংনা তাসিন–খোমজীনবীরগে হায়দুনা চোংথোকপীরক্কদৌবা মীশক্লা করম্বা মতমদনো? লুরিবদি, দিও তারবা তাঞ্জা অসিদফাও করিসু খঙসিন–উসিন্নদনা হরাউ কুম্মৈদা পুক্লিং লূপশিন্দুনা মতম মাঙহন্দুনা মীপূম খুদিংমক থৌ–ৱা শাদনা লৈথোকপগী মহৈ ওইনা হয়েং অন্টকালগী মতমদুদদি মৈতৈ/মীতৈ হায়বা মমিংতা লৈহৌরগদৌবা ফুরুপ অসিগী মীওই অমখক্তং হিদাক তৌগে হায়না থিরকপদা মসাদি লায়রদনা মালেম লৈমায়সিদগী মরু ফাওবা থিবা ফংদবশু য়াই।